# ন্যু তুসোম ভিলেজ (উখ্রুল) চৎলুবদা থেংনরকপা খুন্নাইগী হকশেল

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



ইরমদম মণিপুর স্কোরার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাওবা চীংগী লম্না চাদা ৯০ ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈবা ষ্টেট অমনি। কিলোমিটর ৩০০ হেন্না ম্যান্মার ঙমখৈগা তাইনৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিঙৈ মতমদা মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদি চৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। জিরিবামগী বোরোবেক্রা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফম, চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াং, খাঙবারোল (খেংজে াই ব্লোক), ক্বাথা, রিলরাম সেন্টর (তেংনৌপল), তৌসেম (তমেংলোং), ফাইবুং, বেন্দ্রামৈ (সেনাপতি), খরসোম, জেসামি (উখ্রুল) পনবা য়াই। মে ১৮-২০, ২০২২ ন্যু তৌসেম ভিলেজ, উখ্রুল চৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। মথক্তা পনখ্রিবা চীংগী মফমশিং অসিগী মনুংদা ন্যু তুসোম ভিলেজগী তোপ তোপ্পা শীংথানীংঙাই ওইবা করেক্টিরিষ্টিক্স কয়ামরুম লৈ। তুসোম ভিলেজ, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ১২০ লাপ্পা, চিঙাই সব দিভিজনগী মনুং চনবা ম্যান্মারগা তায়নবা বোর্দর ভিলেজ অমনি। মসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি তাঙ্খুল ঙাক্তনি। তাঙ্খুল লোল ঙাঙই। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না খুল অসি অহুম থোক্লা খাইদোক্লে। তুসেম খুল্লেন, ন্যু তুসোম অমসুং তুসোম সী ভি। অপূনবা মীশিং চাওরাক্লা লিশীং অহুমগী মথক ওইগনি। তুসোম সী ভি বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯গা ইরাপ লাপ্পদে। কিলোমিটর ১০ মুক ওইবা য়াই। ম্যান্মার বোর্দর চৎকে হায়রবদি তুসোম সী ভিদা লৈরিবা এ আর পোষ্ট অদুদগী অয়াবা লৌবা চঙই। মরু ওইনা পাউমী চঙবদা অথিংবা লৈ অমসুং অকোয়বগী লম্বী থোংগী ফোটোগ্রাফ লৌবা য়াদে।

কিলোমিটর ১০ মুক শাংবা তুসোম সীভিদগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯ য়ৌবা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফত্তে। মদুদি লম্বী অসি ৪ x ৪গী ভেহিকল নৎত্রবদি অতৈ অতোপ্পা গাড়ীনা চৎপা ঙমদে। 4x4 ইঞ্জিন ওইরবসু নোং খরা কন্না তারবদি লম্বী চৎপা খুদোং চাদে। 4x4 বোলেরো পিকঅপ গাড়ী অমদা খুলগী লুপলাকপা ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগী ভাইস চ্যেরমেননা এ আর পোষ্ট অদুগী ও সী অদুদা ঙাঙনরবা মতুংদা ঐখোয় পূন্না দ্রাইভর য়াওনা মীওই ১৩ নুংথিল পুং ৩ তাবদা ম্যান্মার তম্না চঙশিনবা হৌখি। তুসোম সী ভিদগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯ ফাওবা চৎকদবা লম্বী অদু লৈনাং থোকপনা মরম ওইদুনা অঙন্বা কাবা ঙমদবদগী তোংলিবা ঐখোয় খুদিংমমক গাড়ীদগী কুমথরগা দ্রাইভরবু মতেং পাংনবা হোৎনখি। তাঞ্জা অসিদা খরা অহল ওইরবা মীওই অহুমদি ইশামক য়াওনা গাড়ী অদুদা লৈহৌখি। মিটর ৩০০-৪০০ ওইগদবা অঙন্বা লম্বী অদু 4x4 গী গাড়ী অদুনা অৰৈবা পাঙ্গল ফুদোক্তুনা য়েৎ ওই হাইদুনা থৌরকপদু ঐখোয় অহুম অচৌবা খাংজাও অমদা হাপ্পগা মৈথক্তা ঙৌবদগী খরা হেনখ্রে। গাড়ী অদুনা নাক য়েৎ ওই লৈ লৈদুনা অঙন্বা অদু কানবা হোৎনবা অদুদি খাবৈ অচৌবা অমনা খাং মনুংদা ওৎপগুম ঐখোয় অহুম অদু গাড়ীগী আইরন বোদি ফ্রেমদা য়ান্দুনা খাংবদা অৰাবা অমা ওইখি। মরক্তা পায়রিবা খূৎ অদু নাম্থোক্তুনা খুকউ, নিঙ্গোং গাড়ীগী বোদি ফ্রেম অদুদা য়ৈশিনবসু কোঙ্গায়নি। মিটর ৩০০-৪০০ চৎলবা মতুং লম্বী খরা ফরকপা মফম অমদা খামদুনা ঙসাই গাড়ীদগী কুমথহৌবা মখোয় অদু ঙাইদুনা লৈখি। ঐখোয় অহুম ৰা ঙাঙদে। তূমিন তূমিন লৈনৈ। ঙসিগী থৌদোক অসি য়ূমদা ফাওবা তম্বদা ঐখোয়গী চহী মতাং অসিদা য়াম্না চৎচনীংবা তাগনি, ইকায়জৈ লিথোক্লগুমসি হায়না খরা অহল ওইরবা মাম্মনা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্না হায়রকপা ৰানি। মখা তানা চৎকদবা থম্মোয়দা অকিবা ফাওরে। ঐনা দ্রাইভরদা হংই ম্যান্মারগী খ্বাইদগী নকপা টাউন সোমরা য়ৌগদবা কয়াম ৰাৎলি। কিলোমিটর ২০ হেন্না ৰাৎলি খুল্লকই। চৎলরোইসি হায়বদি য়াদবনিনা পূক্লিংদা তাইবঙ মপুবু শোয়দা ঙামদবা পীনবীয়ু হায়দুনা খুরুমজৈ। মখোয় ৭-৮দু লাক্লবা মতুং গাড়ী অদু তপ্না তপ্না লাকপনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯ মপা য়ৌশিল্লকই। মফম অসিদা ইন্দিয়াগী বাউন্দরি লোইরে। অমুক্তা হেন্না ঙক্লিবদি বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯ হেক লানশিনবগা ম্যান্মারগী লমদা লৈহৌরিবা লম্বীগী ফিভম অদুগা ওন্থোক্লা খেন্নরমখ্রে। ম্যান্মার সাইটতা অহানবগী কিলোমিটর খরদি ব্লেক টোপিং তৌদ্রবসু ঐখোয়রোমগী লম্বীগুম অদুক য়াম্না ফত্তবা ওইদে। কনক্রিট ষ্টোন ময়াম অমা লম্বীগী মতায়দা পৈ পৈদুনা লৈহৌই। লম্বী শেমহৌই। সোমরা য়ৌগদবা কিলোমিটর ৫-৬ অদুদি ব্লেক টোপিং তৌবদা নত্তনা সিমেন্টেদ রোদকী শরুক খরসু উবা ফংই। লম্বী থোংগী ফীভম য়েংবদা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদগী তমজনীংঙাই য়াম লৈরি। কিলোমিটর ১০ মুক শাংবা তুসোম সী ভিদগীনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৯ লম্বী অসি অথুবদা শেমহন্নীংই।

সোমরা, ম্যান্মার বোর্দর লানশিল্লগা লৈবা অহানবা টাউনসিপ অমনি। মসি তাঙ্খুলশিংনা নম্না তাবা মফমনি। বৃটিশ পাল্লিঙৈ মতমদা ইন্দিয়া-বর্ম্মা খায়দোকপদা য়াওখিবা তাঙ্খুল ইচিন ইনাওশিংনি। মখোয় হৌজিক ফাওবা তাঙ্খুল লোল ঙাঙলি। মীওই খরদি মীতৈলোল খঙই, ঙাঙবা ঙম্মী। ওজা ওইবা মীওই অমসু থেংনৈ। মীতৈলোলদা ৰারী শানরকই। ঐখোয়না সোমরা য়ৌবদা ম্যান্মার ষ্টেন্দর্দ টাইম (এম এম টি) দা পুং ৬.৩০ তারে। দুকান অয়াম্বা থোঙ লোনখরে। পোৎথাবা ওইনা চা, কোফি থম্নবা হোটেল/রেষ্টুরেন্ট থিবদা অমত্তা হাংলমদ্রে। দুকান অমখক থেংনদুনা মফম অদুদগী য়েরুম, নুদল, দ্রিঙ্কস, চান-থক্লবা খরা লৈরে। অদুবু লুরিবদি মদু কদাইদা, করম্না চাগনি। উচিন নাচিন্না মফম অদুগী তাঙ্খুল নুপা অমা থেংনরে। মহাক্না ময়ূমদা পুশিনবীরে। মহাক্কী লোয়নবী ম্যান্মার নিংঙোল অদুনা ফম্ফম পীবিবতা নত্তনা ঐখোয়না পুরকপা চান-থক্লবা ময়াম অদু থোং থাক্তুনা পুং অমগা মখায় মুক পীজ-পীথক তৌরকখি। মখোয়না তৌখিবা সর্ভিস ঐখোয়দা উৎখিবা হোস্পিটালিটি ঐখোয়গী খঙনা চান্নবা, মরী-মতা ফাওবদা য়াম্না তাঙনা থোক্কনি। ঐখোয়না ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফম অমদা চৎলুবা মতমদা অসুম্না তৌবিরক্কনি থাজদে। হান্না খঙনবা নৎত্রবসু ঐখোয় ঈ মরীগী নুংশিনবা অদুদি মখোয়দসু লৈহৌরি। তুসোম অসি বোর্দর ত্রেদ অমা হাংবগী খুদোংচাবা মফমনি। ইন্দিয়াগী বোর্দর ভিলেজ চাওখৎনবা পায়খৎপা থৌশিলদা ওল ৰেদর রোদ অমদি বোর্দর হটস শানবা খন্নবদা তুসোম ভিলেজ খন্নফম থোকই।

নুমিৎ অহুম ন্যু তুসোম খুলদা লৈদুনা খুনগী চীফ, লুপলাকপা, ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগী মেম্বরশিং, ইরোই (Silui) কনবা লূপ অমদি চর্চকী মীওইশিংগা উন্নদুনা ৰারী ৰাতাই তৌবগী খুদোংচাবা ফংখি। হৌজিক লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি, ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওইরিবা ওনরেবল এম এল এ চীঙাই এ সীগী খাসিম ভাসুম তুসোম সী ভিদগীনি। ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা মফম অসিদা পাঙথোকপা Silui Mela শরুক য়াবা ফংখি। মসিদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না হোমোজিনস ওইবা কম্যুনিতি অমগী মীওই ঙাক্তনি। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা চৎনবী চাকচা-য়ুথক, হৈনবী, ৰাঙাঙ-শঙাঙ, লমচৎ-শাজৎ পূম্নমক তুসোম খুলগী মীওই খুদিংমক্লা ঙাক্লা চৎলি। নুংশি চান্নবা লৈমিন্নৈ। অমনা অমগী মতেং পাংনৈ। খৎন-চৈনবা, মীহাৎ-মীপূন, য়েংথীনবগী মমি তাবা উদে। ঙাঙথোরকপা, তৌথোরকপদা মীনুংশি চেল্লি। নুমিৎ হুমনি লৈবদু য়ূম নত্তে হায়বা কাউই। খুনগী নিংথৌনা ৰায়েল থৌদা তৌই। কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না পায়খৎফম থোকপা থবক লৌখৎপদা অথিংবা পীদে। য়াম্না ইকায়খুম্ননা লৈবা উই। ভিলেজ দিভেলমেন্ট কাউন্সিলগী মরু ওইবা মথৌদি খুল অদুগী অৰাৎ অপা, খুদোংথিবা নৎত্রগা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই। খুল অসি য়াম্না ঈংনা চিক্লা নুংশি চান্নবা পাল্লি। মসিগী মরু ওইবা মরম খরদি মীওই খুদিংমক শুবা নোম্বা কল্লি। চাবা থকপা ৰাৎতে। মফম অসি নেচরেল রিসোর্সনা পীক থল্লি। উ মরাং কায়না হৌই। মণিপুরগী চীংগী মফম কয়াদা পোপি কলটিভেসন তৌরবসু খুল অসিদদি মদু উবা ফংদে। খুলনসু য়াদে। অদুবু মফম অদুদা হৌবা উজাও কয়াদি মকক মকক ককথৎতুনা সো মিল কয়াদা উরম্মী। চাওরাক্লা সো মিল ১০ মুক লৈ। টিম্বর লল্লোনবদা শেন্দোং য়াম্না ফংই। উজাও য়ান্থুৎতুনা য়ূম কৈ শাবদা শীজিন্নবা অমসুং টিম্বর ওইনা মপান্দা থাদোকপনা চহী খরগী মতুং অকোয়বগী খল কায়রকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে। উ চারা থাবগী হৈনবী খুঙ্গংশিংদা লৈহন্নীংই। তুসোমগী মীওই অয়াম্বা লৌউ-শিংউগী থবক্লা মরু ওইবা শিনফমনি। ইরোই শীজিন্নদুনা লৌ উবগী থবক তৌই। ন্যু তুসোম খুল খক্তদা ইরোই লিশীং অনীগী মথক্তা লৈ হায়না ইরোই কনবা লূপকী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকই। অদুবু হন্দক চহী অসিদদি লায়না লাইচৎ অমনা ইরোই কয়ামরুম শিখ্রে। খুঞ্জা অমনা মপি ইরা চেন্না অসুম্না ফোঙদোরকই, ইরোই তরা লোয়বদা মঙা শিখ্রে। ইরোই অমগী মমল লুপা লিশীং ৮০নি। মফম অসি ইরোই লোয়বদা খুদোং য়াম্না চাই। চীংমাইশিং অসিদা ইরোই অসি মাগী মাগী মফম খায়দোক্তুনা য়ারেক্তুনা লৈ। মপুশিংনা মফম অসিদা চৎতুনা ইরোইশিং মরক মরক্তা য়েংশিল্লি। মপুনা মখোয়গী ইরোই মশক খঙই। ইরোইশিংনসু মখোয়গী মপুবু মশক মুন্না খঙই। চীংদা ইরোইশিং অদু লৈজরবসু ইরোইগী মরমদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। মার্চ-এপ্রিল থাসি শাবা হৌরকপা মতমনিনা ইরোইশিং অসি চীংদগী কুমথরকই। খুল ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলদা ঈশিং থকপা লাকই অমসুং তুরেলগী ঈশিংদা নুংশাগী মৈশা খাংই। অসুম্না ইরোইনা চীংদগী তুরেলদা কুমথরকপা মতম অসি লৌউ-শিংউ তৌবগী চপ চাবা মতমনি। লৌউ-শিংউ লোইরবা মতুংদা চীংদা কাখৎখিগনি। ইরোইগীদমক্তদি ন্যু তুসোম অসি খ্বাইদগী চান্নবা মফম অমনি। ন্যু তুসোম চীংগী লম ওইবনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা মোদর্ন ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নবদা খুদোং চাদবা কয়া লৈ। ইরোই শীজিন্নদুনা লৌ উবনা খ্বাইদগী চানবা ওইরি। য়েংশিনবা ৰাৎপদগী ইন্দিজিনস ইরোইশিং অসি মাঙখিগদ্রা হায়বগী মিপাইবা খুঞ্জাশিংগী মীহুন কাংলোন্দা চেলহৌই। সিলুই মেলা পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি - সেভ সিলুই (বফেলো), সেভ নেচরেল ফার্মিং হায়বসিনি। মসি ইরোই কন্নবগী অহানবা খোঙথাংনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লোয়ননা মফম অসিদা বফেলো রিসর্স সেন্টর অমা লিংখৎপগী অপাম্বা অদুসু ফোঙদোরকই। মসিমক তৌফদ্রবা অমনি। মসি খঙনা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপা চুমগনি।

চাল্লৌ রিভর, তুসোম খুল ফাওদুনা চেনবা মরু ওইবা তুরেল অমনি। মসিনা লৌউ-শিংউ তৌবদা খুদোং চাহল্লি। তুরেল খোংনুংদা তারিবা নূঙজাও ময়াম অদু খুঞ্জাশিংনা তুরেল মরিলদা পৈখৎতুনা থিংলগা তুরেলগী ঈশিংগী ঈচেল খরা লৌ উবা য়াবা মফমদা থৈদোক্তুনা ঈথৈ লৌখোংগীদমক শীজিন্নৈ। খুঞ্জাশিংগী নোম্বা কনবা অমসুং ভিলেজ কাউন্সিলনা লৌখৎলিবা থবকশিং য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। তুরেল অসিদা খুঞ্জাশিংনা চাক চাফম অমসু ওইরি। তুরেল অসিদা ঙা ফাবগী থবকসু তৌই। মরাং কায়না ঙা চাদুনা অঙাংশিং মশা মউ ফনা থন্বদা মতেং পাংই। চাল্লৌ রিভরগী অতোপ্পা পুৰারী অমনা তুরেল অসিগী তোর্ব্বান্দা থুমহি চেনবা ইফুৎ ফাওরকপদগী বৃটিশ লৈরিঙৈ মতমদগী থুম শুংবগী থবক চত্থরকই অমসুং মরু ওইবা থুমখোং অমনি। থুম শুংবদা শীজিন্নবা লৈরং, খাং অচৌবা, কুহা ময়াম অদুগী শক্তম হৌজিক ফাওবা লৈহৌরি। য়েংবদা পূক্লিং হুবতা নত্তনা পূক্লিং নুংশিবা অমসু ফাওই। লম্বী থোং খুদোংচাদবা মফম অসিদা মোদর্ন টেক্লোলোজি য়ূম্ফম ওইবা থুমখোং অমা লৈরম্বা হায়বসি চাল্লৌ তুরেলগী খুদোলনি।

মনা-মশিং অমদি লমলক্কী শা-উচেক মরাং কায়না ফংবতা নত্তনা তুসোমগী অকোয়বগী চীং অমসুং চীংগী নাপোমশিংদা য়োংচাক পাম্বী মরাং কায়না হৌই। য়োংচাক মরাং কায়না ফংই। য়োংচাক মণিপুরী খুন্নাইদা মমাঙঙৈদগী হৌনা পাম্না চাবা ফুদ আইটেম অমনি। হৌজিক মণিপুরী খুন্নাইদা য়োংচাক চাদবা, য়োংচাক উবদা লৈরোইদবা মী লৈতে। লমদম অসিদা ফংলিবা য়োংচাক্কী পোত্থোক অসিদা কোন্নবা ঙমদবদগী ম্যান্মারদগী মোরে ফাওরগা পুশিল্লকপনা অয়াম্বনি। মসিনা মপান লমদা শেল থাদোক্লি অমসুং ঐখোয়গী শেল থুমগী ফীভম শোকহল্লি। তুসোমদা ফংলিবা য়োংচাক মখল অসি অহাওবা, অফবা মখলগী য়োংচাকনি। ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা য়োংচাক্লা খেন্নগনি। তুসোমগী খুঞ্জাশিংনা য়োংচাক্তগীসু অচৌবা শেনফম তানবা ঙম্মী। অদুবু খুঞ্জাশিংনা নুংশা থিহৌবদি চহী খরা অসিদা য়োংচাক পাম্বীশিং লায়না মখল কয়াদগী কংদুনা মাঙখ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হিরম অসিদা মতম চানা য়েংশিনবীদ্রবদি য়োংচাক পাম্বীশিং মুৎখিগদ্রা হায়বগী মিপাইবদু পাউদমলক্লি। অথুবদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

মহৈ মশীন তম্বগী লম্‌দা থোইদোক হেন্দোকপা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন লৈবা থেংনদে। হায় স্কুলগী থাক ফাওবা তম্বা য়াবা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদি লৈহৌই। খুলগী নিংথৌনা লিরকপা ৰারী অমা মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াই। কুমজা ১৯৭৮-৭৯দা ৰাংখৈদগী মৈতৈ ওজা অমা, অশেংবা মমিং কাউখ্রে, লৈরম্মী। মতম অদুদা লৈঙাক্লা লৌশিনবা স্কুল ওইদ্রি। মহাক স্কুল অসিদা থবক চঙখি, স্কুল অসিদগী থবক পোত্থাখি। স্কুল অসিগীদমক মহৈরোয়শিংগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা মফম অসিদা লৈদুনা থৰায় হকচাং য়াওনা অঙাংশিংবু তাকপী তম্বীখি। চহী ৪০ রোম ফিদম্নফম ওইবা ওজা অমা ওইনা থবক তৌরম্লবা মতুং কুমজা ২০১৭-১৮গী মতমদা চপ চাবদি নীংশিংদ্রে থবক্তগী পোত্থাখি। খুল অদুদা এদ্যুকেসনগী মঙাল অমা পীনবা হোৎনখিবা শক্লাইরবা মীশক অমনি। মহাকপু খুল অদুনা ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়দুনা ফোঙদোরকই। অফবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা লৈরিবা মীওইশিংগী মেন্টেল হেল্থ ফবা চঙই। খুঞ্জাশিং অদুদা ওজা অদুনা তম্বীরম্বা নুংশি চান্নবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা, ঈং-তপ্পা হায়বদু ওইহৌই। মীপূম খুদিংমক্কী মেন্টেল হেল্থ ফনা লৈহৌরি।

হকশেলগী লম্‌দা মতিক চাবা হেল্থক্যের ফেসিলিটি অমত্তা লৈতে। তুসোম সী ভিদা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর (পি ঐচ এস সী) অমখক লৈ। মসিসু ঐহাক্লা থবক্তগী পোত্থাদ্রিঙৈ লৈঙাক্তা প্রপোজেল থাদুনা অমদি কেবিনেট মেমো শেমদুনা লিংখৎখিবা মফমনি। তুসোম খুলগী খ্বাইদগী নকপা হেল্থ সেন্টর অমা হায়বা তারবদি চিঙাই সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা পি ঐচ সী অসিনা ওইহৌরি। তুসোম খুলদা বোর্দর ত্রেদ হাংদোরকপগী ওইথোকপা য়াবা অসি য়েংলগা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল অমা লিংখৎপা তঙাইফদ্রে। ন্যু তুসোম চৎলুবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা তমজনীংঙাই ওইবা ৰাফম অমদি মসিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগী হেল্থ লিভিং ষ্টাইল অমসুং ক্বালিটি লৈনা হিংলিবা পুন্সি মরেল শম্না হায়রবদা মখোয়গী সোসল হেল্থ অদুনি। লৈঙাক্লসু বোর্দর ভিলেজ অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। লৈরিবা নেচরেল হেরিটেজ অসি মাঙদনবা হোৎনহন্নীংই। মসিনা চীং-তম থোং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি। ●

# লায়রবনা নোংগী ঈশিং ঙাইরি

— মুতুম শান্তি —

লৈখিদ্রবা ঐখোয়না ঈশিং ফাওবা লৈরি, মালেমদা অনীশুনা লৈরমগদ্রা? ঐখোয়গী লমদমসি নোং মরাং কায়না তাবা মফমনি। অদুবু মালেমগী ওইনা সাইক্লোননা মরম ওইদুনা লেপ্পা লৈতনা নোংজু থাগী মতৌগুম নোং চুবসি ঈশিং লৈবা ঙমজদবা অৰাবা ইমুংগী ওইনদি অফবা ওইরি। ঈশিংগী অৰাৎপা কোকপীরি। নোংমদা য়ূম অমগী চঙলিবা ঈশিং য়াম্মী। 'লৈঙাক্লা' নোং মরাং কায়না তারবসু মীয়ামদা ঈশিং ৰাত্তনা পীবদি ঙমদ্রি। ঈশিং য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙমদে। ঐখোয় পূম্নমক মিত্রংগী পুন্সি ওইনা হিংবা মতম নৎত্রে। ৰাখল য়াম্না খনবা দরকার ওই। ৰাখল খন্দবা মী ওইনা হিংলবদি ঐখোয়বু শেৎ শেৎতুনা চাথোকপীখিনি হায়বসি কাউগুমসি। লমদমসিগী এ সী ৬০গী মীহুৎ অমমম খল্লিবসি লৈঙাক্কী পোলিসি ময়াম্বু মফম খঙনা শিনবী-লাংবীনবা অরাংফম ওইনা থারিবনি। মখোয়গী ফুরিৎখাও চোন্নবা থাখিবা নত্তে। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়াগী শেনফম খুদিংমক ময়েক শেংনা থবক ওইনা তৌহঞ্জনীংই। লমদম অসিদা ঙসি ফাওবদা অহলগী মতম ওইরক্লবা ঐখোয়না উজরকপদা লৈঙাকপশিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক্তা অচুম্বা, অফবা থক তৌরম্বা কনাগুম্বা অমত্তসু থেংনখিদ্রি। করম্বা মতমদা মসিগী শক্তম অসি উবা ফংগদবনো হায়বা ঙমদ্রি। কত্থোকপা ঙম্বা চীফ মিনিষ্টর অমত্তং লাকপা পাম্মী।

লায়রবা, অৰাবা হায়বসি কনাসু পাম্বা লৈতে। ইনাকখুনবা, নুংঙাইবা অমনা নুংঙাইবগী মথক্তা নুংঙাইবা ওইরি। অৰাবনা অৰাবগী মথক্তা অৰাবা ওইরি। খেন্নবা হায়ববু অসিনি, শিগনি হায়বা খন্নদ্রি। মশাগীখক খল্লগা হিংবা পুন্সিনা মাঙওইননা হিংনরি। লায়রববু উরগা হঙ্গোইরি। অসিগুম্বা য়েংহৈদ্রবা থৌদোক কয়া অমা উরি। ইনাকখুনবা মশেল তিন্নরি, লায়রববু চিংখৎপীগে খনবা মীওই লমদমসিদা তাঙনা উরি। লায়রবনা মশীং য়াম্বা লমদম হেক ওইরিবমখৈ লৈবাক অসি চাওখৎপা লৈবাক অমা হায়বদুদি খক ওইররোই। অমনা অমবু সপোর্ট তৌনবা অমা চঙদব্রা? শেলগী মতেং নৎত্রবসু অফবা ৰাহৈ পরেং অমত্তসু তাকপীবদা, অসিসু মতেংনি হায়বা য়াই। ৰাখলনা হিংবা পুন্সি খোঙচৎনি। মীওইবসি হিংবদা মীনা, মীদা অফবা ৰারী শাবীবা, হিংবগী লম্বী তাকপীবা মথৌ য়াম্না তারি। অতোপ্পা জীব য়ূমদা লোয়রিবা ষণ, হুই, হৌদোংদা নুংশি হায়দুনা কান্ননবা ৰারী শারুবা য়াবা নত্তে। অৰাবা, লায়রবা মীওই অমবু সপোর্ট তৌবীবা হায়বসি ঈশ্বরগী সেবা তৌবগা চপ মান্নে খঞ্জে। থম্মোয় ইনাকখুনবা হায়বসি য়াম্না তাঙলি। মসি পোকপদা য়াওরকপনি হায়জনীংই। নুংশিনবদগী হেনবা করিসু লৈতে। নুংশিনবনা অফবা পুরকই। মীনুংশিনা য়োল্লবা খুন্নাই, তাইবঙপাল অমা শেল্লসি। পুকচেল শেংবা, অফবগী মগুনদি শিবা নাইদবা মপোক ওই। শিবা মতমদা ঈশ্বরগী খুয়া খাদা ঈংনা চিক্লা হিংগনি নীংজৈ। চম্না চাবা, চম্না হিংবা পুন্সি খোঙচৎনা অথোয়বা ওইগনি পূম্নমক য়াইফগনি। মীনম্বা, ওইদ-পাদবা, হুরান চিন্থি তৌবা মীদি ঈশ্বরগী মফমদা লৈফম লৈরল্লোই খঞ্জে।

মীওইবগী মপোক অসি অফবা ৰাখলনা লমজিংবা পুন্সি মহিং ওইহনসি। ঐখোয় পূম্বা পোকপদা করিসু পুরক্তে, শিবদসু করিমত্তা পুগদবা নত্তে। ঙসি ঐখোয়না করিগুম্বা অমা নীংজবদা মদু কায়বদা নুংঙাইতবা তৌবীরোইদবনি, থবক অদু ঐখোয়বু শেম্বীবা ঈশ্বর মহাক্না থবক তৌগদৌরিবা অদু ফত্তে তৌগনু তাকপীবনি খন্দুনা পেম্থোকসি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ইনাকখুনবগী শেল থাদরক্তে। বীলো পোভর্টি লাইন (লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওই) গী থাদরকপা শেনফমনি। লৈত-লায়রবু নুংশিবা হৈতবা মীওইশিং অসি অফবা মী নত্তে। ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বা মীশিংনা শেল অসুক য়াম্না পাল্লিবসি অঙকপা খুদমনি। মীগী মপোৎ মরল হুরাল্লগা ঐগী ইমুংগী ইচা ইশুগী লন পৈদুনা থল্লমগে খল্লিবা মহাক্তুগী থম্মোয় অদু অফবা মী নত্তে। ফত্তবা থবকপু খঙন-খঙনা তৌরিবা মীওইশিং ঙসি ফাওবদা উজরকপদা মচা, মশু অফবা মীওই হায়বদু উখিদ্রি। মসি পূম্নমক অসি ঈশ্বরগী দন্দিনি হায়বসি খঙনদ্রি। ঐখোয় মীওইবনা হিংলিবসিবু অনাবনা য়োল্লবা পুন্সি অমদি ইচা ইশুশিংগী নিষাগী ইপাক্তা তাওদুনা মতম চাদনা শিরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা উরি, তারি। অসিগুম্বা উহৈদ্রবা তাহৈদ্রবা থৌদোক কয়া ঐখোয়না উরি। মসি অফবা খুদম নত্তে। লায়রবা ইমুং অমা ইনাকখুনবা তরানা শৌগৎপা ঙমদে হায়রিঙৈ চৈরকসিদা লায়রবগী থাদরকপা শেনফম খুদিংমক ফম্নাইবা অচৌ অশাংগী ফুরিৎখাওদা চঙলি।

লমদম অসিদা লায়রবা হায়বসি কনানো হংবা তারবদি লৌমী অমদি শিন্মী নোংমগী শুরগা চাবা মীওইশিংনা ওইরি। লায়রবা অসি করম্না কোকহনগনি হায়রবদি এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, ভেটিরিনরি, সোসল ৰেলফ্যের অমসুং লেবর দিপার্টমেন্টশিং অসিনা কাঙলোন চুম্না থবক পাঙথোকপদা পীকখ্রবা লমদমসিগী য়ামজখিদ্রবা লৌমী, শিন্মী করিগী ৰানা হিংগনি। মীগী মপোৎ চাদুনা হিংলিবা পূম্নমকসু কোক্কনি। করিসু খঙজদবা মীয়ামসিনা ওফিস অমদা চঙজরুবদা ফজনা তাকপীদুনা, মরম চুম্না লমজিংবীবগী মহুত্তা মীগী অয়াওবা শেল লৌহৌনবা হোৎনরি। চহী খরগী মমাঙদগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, সেট্টলমেন্ট অনীসি খ্বাইদগী মোৎপা লাইরিক হৈতবা মীবু সর্টিফিকেট অশাবনা ওজা হাপচিনবা, মেপতা য়াওদবা লম, শেল পীবা, লৌবা, পাট্টা অমা হেক্তা শেমজিল্লগা পীবগী থবক অসি য়াম্না তোয়না থোরক্লম্মী। মসিগীদক ফারবসু ইকায়বা হায়বদুদি মখোয়গী মশাদা য়াওদ্রে। মশাগী মথৌ মপূং ফানা খঙদবা মীওইশিংনা কর্ম্মচারি ওইদুনা লমদমসি অৰাবগী ঈপাক্তা পূম্নমক ইরাক্লরি। অশোয়বা খোঙথাং অসি অমুক চুমথোক্লবা হোৎনবসি অরায়বদি ওইরোই। মসি ফম্নাইবা, ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা থাগৎচখিবা লমদমসিগী অরাংফমনি/লুখ্রবা থবক থৌরম কয়াবু মপূং ফানা শিন্দোক শিঞ্জিন হৈনা, অফবা, অচুম্বা ৰাখলনা মাং থাদুনা লমদমসি পূম্নমক্কী য়াইফহনবা ঙম্নবা হোৎনবসি মীয়াম্না থাগৎচখিবা অরাংফম ৬০গী ইথৌদাংনি খন্থবীয়ু।

নুংশিজরবা ঐখোয়না খঞ্জখিবা এ সী ৬০গী অরাংফমগী ফম পুবিরিবা পূম্নমক্লা মীয়ামদা ঈশিং গ্লাস অমা ফাওবা পীথকপা ঙমদবসি করিগীনো। য়ূম অমদা চঙদুনা ঈশিং খজিক থকচগে হায়রম্বা/থক্লরম্বদু মাঙখ্রে। লৈরগা থক্লরিবা ঈশিং করম্না থক্কে হায়বা ঙমগনি। শেলনা লৈরগা ঈশিং শীজিন্নদুনা হিংলিবা মণিপুরগী প্রজাশিংনা ফম্নাইবা ৬০বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। লৈবাকসিদা পানখ্রবা পাল্লিবা ফম্নাইবা অরাংফম ৬০ পাউচেদা, অতৈ অতৈ মীদিয়া কয়ামরুমদা ঙসি ফাওবদা ঈশিংগী মরমদা নৈনবা কয়া তাদবগুম, উদবগুম হিংলি। মীয়াম্না পামজবদি ঈশিং পীরে, টোটি পাইপ্তা ঈশিং জোরো জোরো তাহল্লু হায়বনি। মীদিয়াদা মেজিক তৌবীগনু। পীরগনি, তৌরগনি, হায়রগনি অসিগুম্বা ৰাহৈ 'গনী' হায়বসি হেক উবদা খবর পারম্বদগী পানীংদ্রে। ঈশিং হায়বসি মীওইবনা করম্বা মতমদগী দরকার ওই হায়বদু খঙমিন্নসি। ইমানা থা ১০ নাওপুদুনা পোক্লমদাইদা ঈশিং হান্না কায়রগা, হায়বদি ঈশিং চৎখ্রবগী তুংদা নুপীনা মালেম পূম্বগী মীওইবসি পোক্লিবনি। মীওইবনা ঈশিং হায়বসি হিংবখক্তা নত্তনা ইমাগী পূক্লুংদগী শাগোন্নরিবনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৰাফমনি। মণিপুরদা ৰাটর রিসোর্স দিপার্টমেন্ট করি তৌরি? দিপার্টমেন্ট অসি লৈতবগা চপ মান্নরে। দিপার্টমেন্ট যঅসিদা ফ্লেগ পোষ্ট তোংদুনা, তাই অপাকপা পুন্দুনা চৎলিবা নখোয়বু লম্বীদা চৎপা উবদা মীয়াম্না নুংশিনা শক্ল-শোন্নরি। লায়রখ্রবা লমদমনি ঈশিং লৈবনা চাওখৎপা, ফেসন ওনবা য়াবা নত্তে। ৰারবা ইচিন ইনাও কয়াবু অইবীনা খুরুমজরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### অরাম্বম সমরেন্দ্রা লৈখিদবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর মমি তাইবংগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা লমদম অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা অইবা অরাম্বম সমরেন্দ্রা লৈখিদবগী ২২ শুবা থৌরম পালন তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লখ্রে।

ব্রদর দিবলপমেন্ট এসোসিএসন, মোইরাং খুন্নৌ; মোইরাং খুন্নৌ বজার অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট, মণিপুর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শিন্দুনা ঙসি লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অঙ্গবা অসিনা লৈখিদবগী ২২ শুবা চহীগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং খুন্নৌ বজারদা পাঙথোকখিবা নীংশিং কুমওন থৌরম অদুদা মোইরাং খুন্নৌ বজার অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট ঐচ অঙৌ, ব্রদর দিবলপমেন্ট এসোসিএসন মোইরাং খুন্নৌগী প্রসিদেন্ট এল ব্রোজেন অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ঐচ রাবিকা, সোসল ৰার্করনা ৰাঙাঙলোয় ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৰাঙাঙলোয় রাবিকানা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী পুন্সি ৰারীদা য়ুম্ফম ওইরগা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা অরাম্বম সমরেন্দ্রবু মীয়াম মমাংদা নৌহৌননা অমুক মশক তাকখি।

অমরোমদা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা অরাম্বম সমরেন্দ্রা লৈখিদবগী ২২ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম লৈখিদ্রবা অসিগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন লাইময়ুম সুর্জকান্তানা অথোইবা মীথুংলেন, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৰাংনা থৌরম মপু অমদি ফোরম অসিগী পেট্রোন মেম্বর ডা. এস মনাওতোন অমসুং পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর ট্রিপুরা ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম বিপ্লবনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৰারোল পীরদুনা ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেস নাউরেমনা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অইবা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুর মমি তাইবংবু অৰাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা অমদি মহাক্লা ইরম্বা সিনেমাশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নৌহৌননা নীংশিংখি। থৌরমগা মরী লৈননা শৈরেং শৈদিন্নবসু পাঙথোকখি।

### হ্যুমেনিটিস এন্দ সোসল সাইন্সকী মতাংদা নেসনল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস):

দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুংইংলিস লিটরেরি সর্কল, মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কোর্ট হোলদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা নেসনল কনফরেন্স ওন হ্যুমেনিটিস এন্দ সোসল সাইন্স হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নাউরেম লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুংইংলিস লিটরেরি সর্কল, মণিপুর প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমারনা থৌরম মপু অমদি দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমসুং দিন স্কুল ওফ সোসল সাইন্স মণিপুর য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর এস মঙ্গিনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ভি সী প্রোফেসর লোকেন্দ্রনা কনফরেন্স অসিগী কান্নবা অদু মচা খায়না তিল্লিবশিংদা খঙহনখি।

### মীয়ামদা অয়েৎ-অপনবা পীরিবশিং লৌথোকপা হৌখ্রে

ককচিং, জুন ১০ (ঐচ এন এস):

ককচিং লমখায়দগী হৌরগা ককচিং চুম্নাং, লৈবাক্লে গ্যাস মপা ফাওবদা ইন্দো বর্মা সুগ্নু রোদকী নাক য়েত্তা লম খোপচিল্লম্বা, লম্বী মপান্দা য়ুম শাবগী নুঙ-লৈঙোয়, উ-ৰা পৈশিনবনচিংবা তৌদুনা মীয়ামদা অয়েৎ-অপন পীরিবশিং তকথোকপা অমদি লৌথোকপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী সোমোরজিৎ সলামনা থোকখিবা পব্লিক নোটিস অমগী মতুংইন্না ঙসিদগী থবক অসি চত্থবা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা চত্থিবা থবক থৌরম অদুদা য়ুমনচিংবা অমাঙ অতা থোকহনখিবা লৈতে। অদুবু লম্বী মপান য়ৌনা দুকান ফমজিল্লম্বশিং, উ-ৰা অমদি চেক-লৈঙোয়নচিংবা পৈশিল্লম্বশিং, লম্বী মপালদা শম্বল খাজিন্দুনা ইংখোল কোয়রম্বশিং তকখায়খি। অথুবা মতমদা মপুঙ ফাবা সর্ভে অমা তৌদুনা লম্বীগী নাক য়েত্তা অমদি গভর্নমেন্টকী ওইবা লমদা অরানবা মওংদা লম খোপচিন্দুনা য়ুম কৈনচিংবা শাজিল্লম্বশিং তকথোকপা হৌরগনি হায়রি।